# এডিটোরিয়েল

## লৈঙাক্লা বিল করিনো খঙদবা

মমাঙদা মীয়ামগী প্রেসর কয়া পীরকপদগী অমসুং আই এল পি এস কী মায়কৈদগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদুনা মরম ওইরগা মণিপুর মীয়াম হায়বসি মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং অদুবুনি হায়বগী দেক্লিপসন অমা পীহৌদবদগী তোখায় তানিংবা চীংমীশিংনা অকনবা মওংদা য়েৎপদগী বিল অদুগী মরম অমসুং মদুনা থুংগদবা মফম অমদি পান্দম অদু খঙদনা চৎখি। হায়রিবসি মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা খঙখিবা লৈতে হায়বসিদি অনৌবা বিল অমা শেম–শারে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী লূচিং পুরেলনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমদুনা তাকই। মসিনা হায়রিবদি হৌখিবা চহী কয়া অসিদা য়েলহৌমী কন্নবা বিল অমা শেম্মু হায়না মণিপুর লৈঙাক্তা মীয়াম্না তকশিনখিবা অদু হৌখিবা চহী ১৫ অসিদা করিগুম্বা মওং অমত্তদা শেম্নবা হোৎনখিদে হায়বসি ময়েক শেংনা হন্দক লাকপা ঈহৌশিংদগী খঙবা ঙম্মী। মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু হায়না চঙশিল্লকপা জে এ সি অমগী খোঙজংদা জে এ সি অদুগী কনভেন্নরবু ৱান্টৈদ লাউথোকপা হায়বসি খ্বাইদগী অশোয়বা সরকারগী ফিরেপ অমনি হায়না লৌবদসু থোইনা লানগনি হায়না নিংদে। তৌবতবু লৈঙাক্কী ফিরেপ অদুদি অশোয়বা রাজনিতিদা ঙম্না মখা পোল্লগা লৌবা ফিরেপ অমা ওইরে হায়বসি ঙসিদি তশেং–তশেংলে। পূন্নমক অসিদগী মীয়াম্না খঙলিবদি লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী মেন্দেট অদু লৌদে অমসুং লূচিংবনি হায়বা খরনা য়ান্নখিবা ৱাফম মতুং ইন্না মণিপুর মীয়াম্বু নাথৈরগা মখোয়গী ওইজবা থিনবা মওংদা পোলিটিসাইজ তৌই হায়বসিনি।

লমদমসিদা নৌনা থোক্লক্লিবা সোসিয়েল ৱার্কর অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লূচিংবশিংনা ঙসি ফাওবা ২১ শুবা চহীচা অসিদা মীয়ামগী খন্না থবক তৌদ্রি হায়বসি ঙসি মীয়ামগী খোল্লাও কয়া অমা থোক্লক্লিবা অসিনা তাকই। অমরোমদা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল সার্কল অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং ইন্দিয়াগী পোলিসিশিংগী মতুং ইন্না ফংহন্দে হায়বসি ঙসিখক্তমক হায়বনি। মসিদি রুলিং অমসুং ওপোজিসন পার্টি অনীমক্তা লমদমসিগী মশানা মী ওইরবা মীওইশিংনা মখোয়গী মেন্দেট পীগদবা মওংগী ৱাফম অমা ওইদে। খ্বাইদগী নুংঙাইবদি হন্দক ই ভি এম শিং শীজিন্নবা মতমদা নন–ওফ দি অবব (নোতা) হায়বা কি অমা শীজিন্নরক্কদৌরিবা অসিদগী লমদমসিগী মীয়াম্না, মরুওইনা লাইরিক–লাইশু হৈরবা মীওইশিংনা কদাইফাওবা য়ৌনা ইলেক্সন্দা কেন্দিদেট ওইরিবা মীওইশিংবু থাজদবগে হায়বদু উৎপা ঙম্লগনি। লুরিবদি ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মীয়াম্না পান্লিবা মণিপুর দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা নোংমখক্তদা ইলেক্সন পাঙথোকপীয়ু হায়বা মীয়ামগী খোঙজং অসিনি। মসি ওইবা তারগদি চীং অমসুং তম হায়না খাইদোক্লিবা মণিপুরগী লমদম পূন্নমক্তা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্লা মাগী মাগী অপান্বা কেন্দিদেটশিংদা মশাগী হক য়োম্থোকচবা য়ৌনা মতেং পাংলকপা য়াই অমসুং মদুনা মরম ওইরগা অশেংবা লৈঙাক্কী মীওইশিং খনবা ঙমগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### *স্বর্গগী লৈপাক্কদি মঙদা মংগ্রা তান্নে*

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*লৈবাক অমগী ষ্টেটনি মণিপুর য়াম্না ঙকপা ষ্টেটনি, ওইথোক্তবা হায়বদু ষ্টেটসিদা লৈতে। অদুনা স্বর্গগী লৈবাক হায়না কৌনবসু য়াই। তশেংনদি স্বর্গগী লৈবাক্লি। স্বর্গগী লাই খুদিংমক মাগী মাগী তৌবা ঙম্বা মগুণ লৈনবগুম ষ্টেট অসিগী মীপুম খুদিংমকসু মাগী মাগী তৌবা ঙম্বা মগুণশিং লৈনৈ। কনাগী লৈঙাকপসু মীচমসু মীচম্বু ঙাক শেন্নবা লৈরিবা পুলিসসু , গারী মপুসু, গারী–দ্রাইভরসু গারী হুরানবসু থিকাদারসু, লেবরসু, মোহোরিসু, লৈকাইসু, ক্লবসু, ক্লবগী প্রসিডেন্টসু, সেক্রেটেরিস, মেম্বরশিংসু অরায়বা অমত্তা য়াওদে। ডাক্তরসু নর্সসু অনাবসু অনাবগী কাংবুসু, চরা হেনবীসু, চরা হেনবী শেন্নরিবসু লোয়ননা সরকারসু মানা মানা থোকপা পংপান্দা পান্নে, পংহিংদা হিংনৈ। আইন হায়বা য়াম্না ফজবা চৎন–পথাপ অমা লৈ হায়দুঙাই – কনাসু আইনগী মশক মুন্না খঙনদে। আইনদি লায়রদনা তমথীরবা সিফাইগী নোংমৈ গুলি ফাওবা ফি খল্লগা ঙাকথোকপা য়াবগুম খন্নে–করিসূ নাচুংনদে। অদুবু মীনদি শোন্নে মণিপুর ভারতকীদি “ষ্টীটজরলেন্দ” নি। খঙদে ষ্টীটজরলেন্দ হায়বদুবু লম মমিংলা নৎত্রগা অঙাওবা থেম্নবা নিংথীবা ৱাহৈ ৱাতারা?*

*হয়েংতা ঙাইরে অনৌবা মণিপুরগী পুৱারীদা মতম অমদা পাল্লম্বা লৈঙাকপদুনা লমদমসিবু মতম কুইনা শেমদোকপা ঙম্লরোইদবা য়াম্না চরক চহিং নাইবা ফৎখিদ্রবা তাঙ্কক অমদা থম্বীরম্বনা ঙসি ফাওবা চাওখৎপগী মঙাল ফংদ্রিবনি হায়রগদবা। ফত্তবা নিংথৌ অমগী ফৎখিদ্রবা লৈঙাক্লা ফৎখিদ্রবা লমদম অসি ওইহনখিবনি হায়না পুৱারীদা ময়েক শেংনা ইনরক্লগনি।*

*প্রজানা খনবা মীহুৎনা লৈঙাকপা ষ্টেটসিদা প্রজাবু হং–লাই ওইহন্দুনা লৈঙাকপশিংনা মতম খুদিং প্রজাদগী নাথৈদুনা লৈরিবসিবু করম্বা রাজনিতিগী লাল্লোং ওইরমগদগে। পীবা ফমসু নত্তবা সুপ্নগী চহী ৫ খক্কী মীহুৎ মানা খল্লীবসি করিনো? মসিদি ইকাইবা খঙদবা, মায় থাখ্রবা মীওইশিংগী শাজৎ ওইফম থোকই। হয়েংতা ঙাইরে ভোৎকী ভীক্ষারী ওইগদবা শেঞ্জাও চবুন পুথোক্তুনা। স্বর্গগী লৈবাকসিগী হোংদোকপা ঙমদ্রবা চৎনবীনি। প্রজাগী চাকথুং–ফিথুংদা রাজনিতি শান্নে। প্রজাগী সেবাদা ঐগী মী মাগী মী খায়বা পুকচেল চেল্লিবসিনা কনানা উশিংপীগনি। ভোৎ ময়া ওইরক্লবদি বার্ত্তন ফংবা ফংদবা কন্সটিটুয়েন্সিগী মফম খুদিং দেব–কর্ম্মা, নাহুৎ নারেং চীখদনা চৎলক্লগনি। তাৎ পাৎনা রাজনিতি তৌবদা অচোপ অরেম খঙনদবা স্বর্গগী লমদমনি হায়বদা হেক্ত পকচরবনি।*

*হৌজিক্তি মরেক মহাও থোক্ত্রবা মীয়ামসু ৱাখল চোইরক্লমাল্লে, তৌহৈদবা, তাহৈদবা ঙাক্তগী পাউনা পাউ–চেগী চাকথাক হুল্লে। শর্মিলাগীদমক্তা ইকাইজৈ, জেসি আই পি এলগীদমক নুংনাংই, ফুদ সেক্যুরিতি এক্ট না কেন্দ্র থুংনা চরাংনহল্লিবসিদা পেঞ্জদে। পুন্নমক্তগী হেন্না নুংঙাইতবদি তানা তানা উনা–উনা–তাশিন উশিন্নদবগী হৈনবী লৈরবা সরকারসিনি। মরিল লৈতবা সরকার অমনা অচুম্বা তৌরক্কনি হায়বসিদি মঙদা মংগ্রা তাম্বগুম্বনি।*

***অদোমগী***
***বিসি খুমন***
***ইম্ফাল***

# শ্রীমদ্ভগবদ গীতাগী মরমদা স্বামী বিবেকানন্দগী মীৎয়েং # ২৪

তত্র স্যত্বং নির্মলত্বাৎ প্রকাশকং অনাময়ম্।
সুখসঙ্গেন বঘ্নাতি জ্ঞানসঙ্গেন চানঘ ।।৬ ।।

হে পাপ–লৈত্রবমী, মখোয়সিগী মরক্তা (প্রকৃতিগী গুনশিং সত্ব, রজ অমসুং তমগী মরক্তা) সত্ব গুন হায়বসিনা পুমশেঙ–শেংবা (মঙাল নাইবা) ওইবদগী অমকপা লৈতনা ঙাল্লি, অমসুং মসিদা ফত্তবা দোষ হায়বদু লৈতে, মসিনা মরম ওইদুনা অশেংবা নুংঙাইবা ফংহল্লি, অমসুং অচুম্বা জ্ঞান হায়বদু উহল্লি ।।১৮ঃ৬ ।।

রজো রাগাত্মকং বিদ্ধি তৃষ্না সঙ্গসমুদ্ভবম।
তন্নিবঘ্নাতি কৌন্তেয় কর্মসঙ্গেন দেহিনম ।।৭ ।।

রজ গুন্না পীরিবদি (ইন্দ্রিয়গী) অপাম্বশিং (লোইবা নাইদব মওংদা) হেন্না–হেন্না পামশিল্লকপা, পুক্নিংনা পোৎলমশিংদা নপশিন্দুনা লৈবা অসিনি, হে কুন্তীগী মচা, কর্মশিংদসু পুক্নিংগী অপাম্বা লৈহল্লি ।।১৪ঃ৭ ।।

তমসু অজ্ঞানজংবিদ্ধি মোহনং সর্বদেহিনাম্।
প্রমাদ আলস্য নিদ্রাভিঃ তন্নিবঘ্নাতি ভারত ।।৮ ।।

তমগুন হায়বসিদি খঙদবদগী অমসুং পঙবদগী থোরকপনি, মসি খঙজিল্লু, ভারত সাগৈগী শুথাং ওইবা, হকচাংবু মশানি খন্দুনা (ইন্দ্রীয়গী) অপাম্বশিংদা ঙাউদুনা লৈ, ৱাখল শেরান্না খনবা থবক শুনীংদবা ,তুমদুনা মতম লেনবা য়াম্না হৈনজবনি ।।১৪ঃ৮ ।।

সত্ত্বং সুখে সঞ্জয়তি রজঃ কর্মনি ভারত।
জ্ঞানমাবৃত্য তু তমঃ প্রমাদে সঞ্চয়ত্যুত ।।৯ ।।

সত্বগুন্না ঈং–তপ্না (অপাম্বা য়াউদনা) পেন্থোক্লা লৈবদা চঙশিল্লী, রজগুন্না কর্মশিং পাঙথোকপদা পুক্নিং হেন্না চঙহল্লি, তমগুন্না অরানবা ৱাখলনা লমজীংদুনা অনী–অনী নাইবা লম্বীদা চঙশিহল্লি ।।১৪ঃ৯ ।।

রজস্তমশ্চ অভিভুয় সত্বং ভবতি ভারত।
রজঃ সত্বং তমশ্চৈব তমঃ সত্বং রজস্ত থা ।।১০ ।।

ভরত শাগৈগী শুথাং ওইবা ও, সত্বগুন লৈবা মীনা রজগুন অমসুং তমগুনবু নমথরগা হাইগৎলকই, রজগুনগী মীওইশিংনা সত্ব অমসুং তম গুনবু হুন্দোকখি, মতৌ অশুম্না, তমগুগী মীশিংনা সত্ব অমসুং রজ গুনশিংবু নমথদুনা থম্বনি ।।৪ঃ১০ ।।

সত্বগুনগী মীশিংদি খোঙ–খুৎ শিজীন্নদুনা মপাম্থোংগী থবকশিং শুবা তৌদে, অয়াম্বা মতমদা ঈংনা চীক্লা লৈদুনা ধ্যান তৌই (পরমাত্মাবু নীংশিংই) রজগুনগী মীশিংদি থবক য়াম্না তৌই–ফত্তবসু অফবসু তমগুনগী মীশিংনা খঙদবা–হৈতবা অমসুং পঙবদগী থবক তৌদে, ৱানা হীংই। মতাঙসিদা খন্নবা য়াই, সত্বগুনগী মীসু থবক তৌদে অদুগা তমগুনগী মীসু থবক তৌদে অনিসি মান্নবা উই। থবক তৌদবা মীওই মখল অনীদু করম্না খেন্নরিবনো ? মপানগী মীৎয়েঙদদি ইমান–মান্নবগুম তৌরবসু, তশেংবদি য়াম্না পাকচাউনা খেন্নবনি। অমনা অপাম–পামদ, অৱা–নুংঙাই, অতৈ খেন্নবা পুম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রবনি, অতোপ্পা অমনা পোৎখুদীং মখোয়গী অচুম্বা মশক খঙদদুনা অমম্বদা লৈবনি। অমনা ঈংনা–নুংঙাইনা লৈরগা অমনা ৱানা–ৱানা হিংবনি।

"Sattva binds through the search for happiness and knowledge, rajas binds through desire, tamas binds through wrong perception and laziness. Conquer the two lower by sattva and then give up all to the Lord and be free."

[সত্বগুন্না অশেংবা নুংঙাইবা (ঈং–তপ্না) অমসুং অচুম্বা জ্ঞান থিহল্লী, রজগুন্না অপাম্বশিং ফংনবা তান্নহল্লি অদুগা তমগুন্না ৱাখল লান্না খনবা অমদি থবক শুনীংদবা (তনবা) ওইহল্লি। অনেম্বা গুন অনিসে (রজ অমসুং তম) নমথদুনা খুদুম চল্লগা সত্ব গুনগী মতেঙনা (নঙগী) পুন্নমক ইশ্বরগী মফমদা কখোকউ অমসুং নীংতম্বা হায়বদু ফংউ।]

> *লৈবাকপোকপা খুদিংগী...*
> **সত্যম–শিবম–সুন্দরম**
> **কে সি নন্দ**

উর্দ্ধং গচ্ছন্তি সত্ত্বস্থা মাধ্য তিষ্টন্তি রাজসাঃ
জঘন্যগুন বৃত্তিস্থা অধো গচ্ছন্তি তামসাঃ
।।১৮ ।।

সত্বগুন চেনবা মীওইশিংনা মথকলোমদা লেপ্তুনা কাখৎলি, রজঃগুন্দা লৈবশিংনা ময়াই ওইবা থাক্তা পনদুনা লৈ, অদুগা তমগুনচেনবা মীনা অতোনবা জীবগী লীচৎতা লৈখাতানা লৈ ।।১৪ঃ১৮ ।।

নান্যং গুনেভ্যং কত্তরিং যদা দ্রষ্টানু পশ্যতি।
গুনেভ্যশ্চ পরং বেত্তি মদ্ভাবং
সোহধিগচ্ছন্তি ।।১৯ ।।

(সত, রজ, তম) গুন অহুম সিদগী তোঙানবা অতোপ্পা শক্তিলৈবা অমবু উরুদ্রবা অদুগা গুনশিং অসিদগী অপ্না লৈবা আত্মবু মশক মুন্না খঙলবা, অচুম অরান মুন্না খঙলবা মীশক্তো (কৃষ্ণ) ঐগী শক্তমদা তিল্লী (ঐবু ফংজৈ)

গুনানেতানতীত্য ত্রীন্ দেহী দেহসমুদ্ভবান্।
জন্মমৃত্যু জরাদুঃখৈ–র্বিমুক্তোহ
মৃতমশ্নুতে ।।২০ ।।

(মপান্থোংদা উরিবা) হকচাং অসি ওইরকখিবগী মরম ওইরিবা গুনশিং লাম্থোক্তুনা পোকপা–শিবদগী নাম্থোকতুনা জ্ঞানী অদুনা শিদবা খুভম ফংই ।।১৪ঃ২০ ।।

নির্মা নমোহা জিতসঙ্গদোষা অধ্যাত্মনিত্যা বিনিবৃ ওকাম্যঃ দ্বন্দ্বে র্বিমুক্তাঃ সুখদুঃ খসংজ্ঞের্গচ্ছনত্যমুঢ়াং পদমব..যং ত্য ।।৫ ।।

নাপল অমদি লান্না থাজবা লৈতবা, পুক্নিংনা নপশিনবগী হৈনবী মপুঙফানা থাদোক্লবা, মশাগী আত্মবু চপচানা মশক খঙলবা, ইন্দ্রিয়শিংগী অপাম্বা পুম্বা মাঙহনখ্রবা মীশক অদু পোকপাশিবা নাইদ্রবা খুভমদু ফংজৈ ।।১৫ঃ ।।

"Don't be fools always wandering from place to place, that's all very good, but be heroes... Who advises you to jump into fire? If you don't find the Himalayas a place for sadhana, go somewhere else then... Arise, ye mighty one, and be strong! Work on and on, struggle on and on !"

[ মফম অমদগী মফম অমদা অশুম হোং হোংদুনা চৎলগা অপঙবা হায়বদু ওইগনু, হোয় মদু ফৈ (হায়না নঙনা খল্লবশু) থৌনাফবা (হিরো) ওইয়ু। কনানা নঙবু মৈদা চোংশিল্লু হায়বগে? হিমালয় অসি নঙনা ফমদুনা সাধনা তৌবা য়াবা মফমনি হায়না খন্দ্রগদি অতৈ মফম অমা থিরগা সাধনা তৌ... হে অকনবা, মীকপ থোক্লোনে থৌনাফবা হায়বসু ওইয়ুনে। থবক মথঙ মথঙ পাঙথোকলো, লাম্থেং কয়া মথঙ মথঙ থেংনরো!

শ্রোর্তং চক্ষুঃ স্পর্শনষ্ণ রসনংঘ্রানমেবচ।
অধিষ্টায় মনশ্চায়ং বিষয়ানুপসেবতে ।।৯ ।।
উৎক্রামন্তং স্থিতং ধাপি ভুঞ্জানংবা গুনন্বিতম্।
বিমুঢা নানুপশ্যন্তি পশ্যন্তি জ্ঞানচক্ষুষঃ
।।১০ ।।

নাকোং, মীৎ, উনশা, লৈ, নাতোন অমদি পুক্নিং মখোয়সিদা (আত্মনা) লৈদুনা বিষয় ভোগ তৌই, (ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবশিং লৌই) ।।১৫ঃ৯ ।। অপঙবা অজ্ঞানীশিংনা মসিগুম্বা পুন্সিবু অশেংবনি খনবনি।

হকচাংবু থাদোকপা, হকচাংমনুংদা লৈবা গুণশিংগা পুন্দুনা মপাম্থোংগী নুঙাইবশিং ফংবা পুম্বসি অপঙশিংনা অচুম্বনি খন্দুনা তান্নে। জ্ঞান লৈবা মীশিংগী মীৎনদি মসি পুম্বগী ৱাংমদা লৈবা অচুম্বদু উবা ফংই ।।১৫ঃ১০ ।। (অঈবা ইশাগী ৱারোল) হৌজিক্কী মতমগী মী অয়াম্বনা ধর্মগী লাইরিক থোইনা পানীংবা পোক্ত্রে। নোংচুপকী কলচর, পুন্সি –মহীং অমসুং মপাম্থোংগী ঈরাংদা লূপখিনবা নুংগী ওইবা অচুম্বা থিনবা অয়াম্বনা হোৎনদ্রে। মতম শাংনা বৃটিশকী মীনায় ওইরুবা অমসুং মখোয়গী লোন, চাকচা–ইথক হৈনরুবা পুম্বসিগী অকনবা মমী অদু চারোল শুরোলদসু শন্দোকহৌবনি। লাইনীংবা অমদি ধর্মগী ৱা ঙাঙলিবা মীবু অপঙবা ওইনা উনবগুম তৌরক্লে। মপাম্থোংগী, শোকপা–পনবা শিবা নাইবা হকচাংশিংবু “ঐ–ঐ ” হায়বদুনি হায়বা অরানবা ৱাখলসি মী অয়াম্বগী ৱাখলদা লৈখ্রে। কলিয়ুগ লোইশিল্লকপা (প্রলয় লাক্লমদাই) হায়বদু ওইরম্বসু য়াই । ভগবানগী অনীংবা মতুং ইন্না পূন্নমক তুম্না মাঙহনখ্রগা অনৌবা সত্যযুগ অমা লাকপা য়ানবা থৌরাং তৌরিবা মাল্লে। গীতাগী ৱা ইদুনা লৈরে, স্বামীবিবেকানন্দগী ৱা ঙাক্তা নৈনদুনা লৈরে। অতৈ–অতৈ ইনীংঙাই লৈত্রবরা। ঐগী মরুপ ব্রক্ষ্মন অমনা ঐঙোন্দা হায়বনি বামোন মক্লা অশুম্না হায়রবদা অতৈনদি করি হায়গনি – যুগসে লোইরক্লবনি।

গীতাগী মরমদা স্বামী বিবেকানন্দনা হায়রম্বা ৱারোলশিং খনগৎতুনা ইমালোন্দা ইথোকপসি মরম খর লৈ। গীতা অসি পণ্ডিত অতৈনা অর্থ–হন্দুনা কমেন্টরী পীদুনা ইবা য়াম্না লৈ, মদু মী অয়াম্বগী পুক্নিং চীংশিনবা ঙমদ্রে মতমগী ওইরক্লিবা মওংসিনা। স্বামী বিবেকানন্দগুম্বা অরী–অনৌ অমসুং নোংপোক–নোংচুপ অনীগী জ্ঞান লৈরবা মী অমনা ইরম্বদি মীশিংনা খরমখৈদি পানীংগনি খন্দুনা ঐহাক্লা লৌখৎচবনি। হোয়, লোইগদবা পংকুই কুইদ্রে ৱারবসু ৱানা খরদি খাঙবীখো।

ৱাফম অমনা, সমাজগী থবক তৌদুনা মীয়ামগী সেবা তৌবা হায়বসি ফৈ। ঐ–ঐগী অনীংবদুনা অচুম্বনি খন্দুনা সমাজগী থবকশিং তৌরক্লবদি মাঙ–তাক্লবগী মশক ওইরক্কনি। অধ্যাত্মিক জ্ঞানগী ওইবা মচাকশিং য়াওদনা সমাজ শেমগৎপা অমদি অরানবা চুমথোকপা ওইথোক্তে। অপঙবশিংগা মরৈ তৌনগনু নঙবুসু অপঙবনি খন্নখিনি, হায়বা ৱা লৈ। ৱা য়াম্না ঙাঙদনা থবক তৌসি। **(মথঙ–মথঙ)**

# হিন্দু ধর্ম্ম অমসুং পুরাণ–২

### ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

৪. শিবপুরাণঃ পুরাণগী মশীং থাবদা করিগুম্বদা শিব পুরাণবু অদুগা করিগুম্বদনা বায়ুপুরাণবু মরিশুবদা থাই। অদুবু মসিদা শিবপুরাণবু থমজরি। শিবপুরাণদা সংহিত্য তারনিথোই পুল্লি – বিদ্যেশ্বর, রৌদ্র, বৈনায়ক, ভৌম, মাতৃ, রুদ্রৈকাদশ, কৈলাশ, শতরুদ্র, কোটিরুদ্র, সহস্রককোটিরুদ্র, বায়বীরয় অমসুং ধর্ম সংহিতা। সংহিতা পুল্লপকী শ্লোক মশীং লাক্ষ অমদগী তাদে। অদুবু সংহিতাশিং অসিদগী খরখক্তং লৌখৎলগা শিপুরাণ কৌনবসু লৈখিবদগী অককুবা ওইনা হায়বদা চিংনবা পোক্লে। শিবপুরাণ মরুওইবা পুরাণ অমনি। নারদনা শিবতত্ত্ব খঙনীংদুনা ব্রহ্মাদা হংবা অমসুং মদুগী পাউখুম পীবদগী হৌই। তরকাসুরগী ৱারী, শিব–পার্বতী লুহোংবা, কার্তিকেয় পোকপা অসিনচিংবনা জ্ঞান সংহিত্যদা, গঙ্গা–যমুনা সঙ্গমদা, সুতনা শিবগী মহিমা লীবদা, ব্রহ্মাগা বিষ্ণুগা লান শোক্লবদা জ্যোতিলির্ঙ্গ থোরকপদগী লান লেপ্পা অমদি প্রণব শ্বরুপ কথন নচিংবগী ৱারীনা বিদ্যেশ্বর সংহিতাদা, কৈলাস সংহিতাদনা প্রণবকী অর্থ, সনৎকুমারচরিএ, শিবপুজা বিধি, শিবলোক বর্ণনা, কাশিং মাহাত্ম্যনচিংবা, বায়বীসংহিতাদনা ব্রহ্মা–বিষ্ণু–মহেশ্বর অমত্তনি তাকপা, দক্ষ যজ্ঞগী ৱারী, বায়ুদেবনা শিবগী মহাত্মা তাকপা অসিনচিংবা য়াওরি, ধর্মসংহিতাদা শিবগী নৈতিক অমদি নৈমিত্তিক পুজা বিধি, নুপীগী স্বভাব (হৈনবী) তাকপা, সর্ট্যবংশ বিবরণ, শ্রাদ্ধগী ৱারম অসিনচিংবা তাকই, লোয়ননা রৌদ্রসংহিতানচিংবদনা হিমালয়গা মেনকাগা লুহোংবা, পার্বতী পোকপা, শৈব উপাসনা পদ্ধতি, গণেশকী মগুণ, তোঙান–তোঙানবা তীর্থশিংদা শিব লিঙ্গ পুজাগী ৱারম, শ্রীকৃষ্ণনা কৈলাসতা তপস্যা তৌবা অসিনচিংবা ৱারী কয়ামুক য়াওরি। নারদনা কামদেববু জয় তৌবদগী নাপল লাকপা অমসুং ভগবান্না মায়া তৌদুনা নারদগী নাপল মাঙহনবা, রাবণনা ভগবান শিবদা লৈবা ভক্তি, কিরাৎবেযধারী শিবনা অর্জুনদা কৃপা তৌবীবা, অথোইবা তীর্থদা ইপা–ইমানি তাকপা অসিনচিংবগী ৱারী মপুং ফানা তাকপীরি।

৪ (ক). বায়ুপুরাণঃ হৌজিক ফংলিবা বায়ুপুরাণ সিদা পাদ মরি, অধ্যায় ১১২ অমসুং শ্লোক মশীংদা চাউরাক্লা লীশিং তরানিথোই য়াওই। পুরাণশিংগী মগুণ, লৈশেম্বগী ৱা, সুর্য্যবংশ, চন্দ্রবংশ, পৃথুবংশ, ঋষিবংশ, বরুণ বংশ নচিংবগী ৱারী, পৃথিবী, অতিয়াগী ৱারম, কল্পশিংগী তোঙান–তোঙানবা ব্যাস ময়ামগী ৱারম, ময়েক (শ্বর ব্যঞ্জণ) কী, বেদকী, শ্বর তরেৎকী, সঙ্গীত শাস্ত্রগী, গন্ধর্ববেদগী মচি ওইবা ৱাফমশিং মচা খায়না তাকই। বায়ুপুরাণগী সাধ্য অমদি কর্মকাণ্ডগী শরুক য়াম্না চাউই অমসুং খঙবদা কান্নবা ৱা ঙাক্তনি। ভগবান শিবগী গুণ, গয়াসুর, যাজ্ঞবল্ক্য, কুবলশ্ব অসিনচিংবগী ৱারীশিং থোইদোক্লা নুংঙাইবা অমসুং কান্নবা ৱারীশিংনি ।

৫. শ্রীমদ্ভাগবতপুরাণঃ পুরাণশিংগী মশীং থারকপদা ভাগবতপু মঙাশুবদা থানৈ। মসিদা বৈষ্ণবশিংনা শ্রীমদ্ভাগবতপুরাণ অদুগা শৈব অমসুং শাক্তশিংনা দেবীভাগবতপ লৌনৈ। অনীমক মগুণ তোপ–তোপ্পা লৈনবা ঙাক্তনি। অমনা অমদগী হেল্লি হায়বা লূই। শ্রীমদ্ভাগবতম পুরাণ অতৈদগী তোপতোপ্পা মগুণ লৈ। মসি রসময় প্রন্থনি, মহাউ মখল ময়াম য়াওই। মঙোনদা য়াওরিবা ৱারীশিংদা মীগী পুক্নিং শুস্কৎপা, কাউঙমদবা অমদি লম্বী উৎপা ৱাফম্না থন্না য়াওই। শ্রীমদ্ভগবতকী থম্মোয়দি তরাশুবা স্কন্ধনি। লৈশেমগী মমাঙদা ব্রহ্মাগী মফমদা ভগবান বিষ্ণুনা শ্লোক মরি তাকখি, শ্লোক মরিদুদা পরমাত্মগী মশক, মায়াগী মতিক, জগৎকী মগুণ অমসুং আত্মাগী মশক তাকই। অসিগুম্বা শ্লোক মরিসিনা মরু ওইরগা ভাগবত ওইখি হায়। মসিদা স্কন্ধ তরানিথোই, শ্লোক লীশিং তরানিপাল য়াওই । বৈষ্ণবশিংনা শ্রীকৃষ্ণমক্লি খন্না লাৎচবা লাইরিক্লি। মসিদা জগবান শ্রীকৃষ্ণগী লীলা মচা তানা কৃপথনা তাকই । পরিক্ষিৎকী মফমদা শুকদেবনা লীবনি। অজামিল, ভরত, গজেন্দ্রমোক্ষ, অম্বরীষ, কপিল মুনি, উদ্ধবতা পীবা পাউতাক, ধ্রুব, প্রহ্লাদ নচিংবগী ৱারীশিং থোইদোক্লা শুস্কৎনীঙাইনি। মরু ওইনা শ্রীকৃষ্ণগী বাল্যদগী হৌরগা স্বর্গহরণ ফাওবগী ৱারীশিং, রাসলীলা অসিনচিংবা পণ্ডিত কয়াগী লোইনাইদ্রবা আলোচনা তৌফম ওইনরি। থোইদোক্লা ভক্তি মার্গ পামজবশিংদদি শ্রীমদ্ভাগবত পুরাণ ধ্রুবতারাগুম লেঙদনা লম্বী তাক্লিবা লাইরিক্লি।

৫. (ক) দেবীভাগবত পুরাণঃ দেবীভাগবত পুরাণসু স্কন্ধ তরানিথোই, শ্লোক লীশিং তরানিপান য়াওই। ভগবতী দেবীবু পরমতত্ত্ব অদুমক্লি হায়না তাকপনি। ব্যাসদেবমক্লা জনমেজয়দা লীরগা তাহনখিবনি। মুল প্রকৃতিদগী হৌরগা মণিদ্বীপকী মবেম্মা ভুবনেশ্বরী ফাওবগী ৱারী তাকই। দুর্গা, রাধা, লক্ষ্মী, সরস্বতী, অমসুং সাবিত্রী মঙাসিবু দেবীগী তোঙান তোঙানবা শক্তমশিংদগী অথোইবনি হায়। (নবমস্কন্ধ)। গঙ্গা, তুলসী, ষষ্ঠী, মঙ্গলচণ্ডিকা, কালী, স্বাহা, স্বধা, পুষ্টি, তুষ্টি, সম্পত্তিনচিংবা দেবীগী রুপমক্তনি। শক্তম খুদিংমক্তা উপাসনা তৌজবা য়াই। মসিদা উতথ্যনা অচুম্বা ঙাকপগী ৱারী, সুদর্শন্দা (নিংথৌ) দেবীগী কৃপা, তুলসীগী ৱারী অসিনচিংবা কয়ানা লিল্লি। থোইৎদোক্লা দেবী নুংশিজবশিংগীদমক্তদি দেবীমক্কী মুর্ত্তিনি খন্না পুজা তৌনবা লাইরিক্লী।

৬. নারদপুরাণঃ নারদপুরাণদা পাদ মঙা, অধ্যায় ২০৭ অমসুং শ্লোক চাউরাক্লা লীশিং তরানিপান য়াওই। পুরাণ অসিগী মিংথোল ওইরিবা নারদদি ৱারী লীবা ওইদে, অহানবা তঙ্খাই পুর্ব ভাগ তা সনক, সনন্দন, সনৎকুমার অমসুং সনাতন্না লীরগা অতাবদু নারদনা ওই, অদুগা অনীশুবা তঙ্খাই উত্তবভাগতনা বৃশিষ্ঠনা তাক্লগা মানধাতানা তাই। ৱারী পুল্লপ্না সতনা ক্ষষিশিংদা লী। মসিদা লমচৎ–শাজৎ, বর্ণাশ্রমধর্ম, ব্রত মখল মথেল, জ্যোতিষ নচিংবগী ৱাফম মরাং কায়না পল্লি। গঙ্গাগী, যজ্ঞামালিগী, সুমালিগী, গুলিক্কী, লুবধক্কী, শুকদেব পোকপা অমদি জনক্কী নাক্তা জ্ঞান তম্বগী ৱারী কয়া অমসু লীরি। থোইদোক্লা, দীক্ষা–বিধি, গায়ত্রী মন্ত্র জপ তৌবগী মরম, সন্দ্যা বিধি, পোৎলম তরাতরুক্লা পুজা তৌবগী ৱারম, গণেশ মন্ত্র, নবগ্রহ মন্ত্র, নৃসিংহ মন্ত্র, হয়গ্রীব মন্ত্র, শ্রীরাম মন্ত্র, হনুমান মন্ত্র, রাধাকৃষ্ণসহস্রনাম স্তোত্র, ললিতাসহস্রমামস্তোত্র, অসিনচিংবা খঙনীংবা মন্ত্রশিং লোয়ননা জপ অমদি উপাসনাগী বিধিশিং য়াওরি। পুরাণ অসিদা থোইদোকপা মফম বিষ্ণুদা পীরবসু অতৈ দেবাতাশিং অমদি দেবীশিংদসু ঈকাই খুম্নবগা লোয়ননা খঙবদা কান্নবা ৱারম কয়া তাকপীরি। পুরাণ অতৈদা অমদি স্মৃতিশিংদা ফংদবা মরু ওইবা কান্নরবা ৱাফম কয়া নারদপুরাণদা ফংই।

**(মথং–মথং)**